# গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

## ওনরেবেল চিফ মিনিষ্টর

## (ইন–চার্জ ফাইনান্স) গী

## ২০১৮–১৯ গী

## দিমাণ্ড ফোর এক্সসেস গ্রান্টস কী স্পিছ

ইং ২০২৪, জুলাই ৩১

মিষ্টর স্পিকর সার,

ঐহাক্না চহী ২০১৮–১৯গী দিমাণ্ডস ফোর একসেস গ্রান্টস থমজরি।

২. চহী ২০১৮–১৯দা, চার্জদ এপ্রোপ্রিএসনগী এক্সপেন্দিচর অসি একসেস লৈখি। হাউস অসিগী কম্মিটি ওন পব্লিক একাউন্টসনা একাউন্ট অসিবু একজামিন তৌখি অমদি মসিগী য়াঙখৈমঙা শুবা রুপোটতা ভাররতকী সন্বিধানগী আর্টিকল ২০৫গী মখাদা পীরিবা মওং অদুগী মতুং ইন্না একসেস এক্সপেন্দিচর অদু রিগুলরাইজেসন তৌনবা রিকমেণ্ড তৌখি।

৩. শেনবা চহী ২০১৮–১৯গী মনুংদা, এপ্রোপ্রিয়েসন অমগী মখাদা লুপা কোটি লীশিং ১ চাতরেৎকা কুনমাপন দসমিক মরি মপান (১৭২৯.৪৯) গী একসেস এক্সপেন্দিচর তৌখি। ৱেজ এণ্ড মিন্স কী এদভান্সশিং রি–পেমেন্ট তৌবনা মরম ওইরগা একসেস এক্সপেন্দিচর অদু লৈখিবনি। একসেস এক্সপেন্দিচর অমদি মসিগী মরমশিং অদু চীং লেন্নবা হাউস অসিদা থমজরিবা ''দিমাণ্ডস ফোর একসেস গ্রান্টস'' অসিদা উৎচরে।

৪. চার্জদ এপ্রোপ্রিয়েসনগী মথক্তা লৈরিবা একসেস এমাউন্ট অসি কম্মিটি ওন পব্লিক একাউন্টসনা পীবা রিকমেন্দেসনগী মতুং ইন্না রিগুলরাইজেসন তৌবা দরকার ওই। পিঃএঃসি না বজেটিং সিষ্টেম অসিনা ফগৎহন্নবা অমদি ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিন্দা হেন্না চেকশিন্না এনফোর্স তৌনবগী কান্নরবা রিকমেন্দসনশিং পীরকখি। ঐহাক্না কম্মিটি অসিনা য়াওরিবা ঐহাক্কী ইকাইখুম্নজরবা কলিগশিংবু থাগৎচরি লোয়ননা কম্মিটিনা পীরকপা রিকমেন্দেসনশিং অদুবু সরকার অসিনা ঙাক্না চৎচরি হায়না ঐহাক্না হাউস অসিনা থমজগে।

ৱাহৈশিং অসিগা লোয়ননা ঐহাক্না চহী ২০১৮–১৯গী দিমাণ্ডস ফোর একসেস গ্রান্টস লান্থোকচরি।